হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, নবেম্বর ১৭, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ২২৭ শুবা মশীং

# পোৎকী মমল ৰাংখৎলকপা

## কনানা পোৎকী মমল ৰাংখৎলকপা য়েংশিল্লিবগে?

***সদর*** হিলস অমসুং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট শেম্বগী ৰাহৌদা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না নবেম্বর ১ দগী মণিপুরগী নেসনল হায়ৱে খুদিংমক্তা ইকনোমিক ব্লোকেদ চখবা হৌখি। ইকনোমিক ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং য়াওনা তঙাই ফদবা পোৎলম ফংদবগী অৱাবা মীয়াম্না খম থেংনা মায়োক্নরি। ব্লোকেদ অসিনা মরম ওইরদুনা নবেম্বর ১ দগী ঙসি ফাওবা পোৎ-চৈ পুশিল্লকপা ট্রক অমফাওবা অতোপ্পা ষ্টেটতগী চঙলকখিদ্রে। মীয়াম্না হৌজিক হৌজিক নুমিৎ খুদিংগী শিজিন্নরিবা হীদাক-লাংথক, হৱাই-চেংৱাই অমসুং অতৈ পোৎলমশিং অসি ব্লোকেদ তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা পুশিল্লকখিবা ঙাক্তনি। ষ্টেট অসিদা লৈবা লল্লোন-ঈতিক তৌবশিংনা মণিপুরগী মীয়াম্না শিজিন্ননবা পোৎলম কয়ামরুম অতোপ্পা ষ্টেটতগী পুশিল্লকই অমসুং পোৎলমশিং অদু হোলসেল ওইনা রিটেল আউটলেটশিংদা থাদোকই। মখোয়না পোৎলমশিং অদু মথং-মথং য়োন্থোকপদা লৌবা য়াবা শেন্দোং লৌহৌরবা তুংদা মীয়াম্না মনাক নকপা মফমদগী পোৎলমশিং অদু লৈবা ফংই। অসুম্না লৈরিবা পোৎলমশিং অসি লম্বীদা পুশিল্লকপদা পুলিসনা অমসুং খুৎলায় পায়বা কাঙবু কয়ানা লোনা য়াদবা মওংদা লৌহৌবা টেক্স পুম্নমক হাপচিল্লগা লেপ্পকপা মমল অদুদনি। শম্না হায়রবদা লল্লোনবশিংনা মখোয়গীদি মাঙবা য়াদে হায়বগী মতাগুম লোনা য়াদবা টেক্সশিং অদু মীয়ামদা থিহল্লি। মীয়াম্নদি মশা-মশামক খুৎলায় পায়বশিংদা নৎত্রগা পুলিস পার্সনেলশিংদা লোনা য়াদবা শেল পী হায়বসি য়ানিংলমদবা য়াই। অদুবু লম্বী অসিদা ট্রক থৌরিবা পোৎ-চৈ পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিংনদি খুদিংমক খঙগনি। পুম্নমক অসিগী মথক্তা আসামগী মফম অমদা পীবা পোৎকী মমলগা মণিপুরদা য়োনবা পোৎকী মমলগা য়াম্না শাথিনা খেন্নরিবসিনি। ইনি দয়াগী অতৈ মফমশিংদনা পোৎ অমগী চূনবা মমলদা শিজিন্নবা ফংই। অদুগা মণিপুরগী মীয়াম্না কা-হেনবা মমল পীদুনা পোৎ লৈদুনা শিজিন্নরি। হীরম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না মিচিনা ফাওবা য়েংবা তৌদে।

য়ু এন সীগী ইকনোমিক ব্লোকেদ নুমিৎ ১৫ নি রোম ফারক্লে। দুকান খুদিংমক্তা ফংদ্রবসু খরদদি পোৎ ফংদবা অমত্তা য়াওদে। এরোপ্লেনদা পুরক্লিবরা নৎত্রগা হান্না পৈশিন্দুনা থমহৌবরা হায়বা ফাওবা চিংনবা য়াবা ঙাসু অদুমক মার্কেটতা মমল তাংনা ফংই। আলু, তিল্হৌ অমসুং হৱাই মঙ্গল মপুমনচিংবদি কৈথেলদা ফংবা ৱানা থোক্লে। অদুবু ফংলিবা পোৎশিং অদুগী মমলদি য়াম্না নিংথিজনা ৰাংখৎলগা য়োল্লি। লল্লোনবশিং অদুনা য়োল্লিবা পোৎলমশিং অদু ব্লোকেদ মনুংদা য়াম্না ৱানা, নুমিৎ কয়ানি চঙনা পুশিল্লকপা নত্তে। হান্না ব্লোকেদ মমাঙদা পুশিল্লক্লগা মখোয়গী পোৎ পৈফমদা পৈশিল্লকপা থল্লকপনি। পোৎ পৈফম অদুদগী খরা-খরা খায়দোক্লগা মমল কানা য়োনবনি। মতৌ অসুম তৌনা হান্না তিল্হৌ কেজি ১ দা লুপা ২০ খক্তমক পীরম্বা অদু হৌজিক্না লুপা ৩৫ দগী ৪০ ফাওবা য়োল্লে। অদুগা লুপা ২০ পীরম্বা আলুনা হৌজিক্না লুপা ৩৬ তগী ৪০ ফাওবা, লুপা ১৩০ পীরম্বা চনম্না কেজি অমদা লুপা ১৭০ দগী ১৮০ ফাওবা, এপলনা কেজিদা লুপা ১০০ পীরম্বা অদু লুপা ১২০ ফাওবা অমসুং ঙা (রৌ) না কেজি অমদা লুপা ১৫০ পীরম্বদুনা লুপা ১৯০ দা য়োল্লে। পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৬৭ রোমতম পীরম্বদুনা লুপা ২৫০ ফাওবদা য়োল্লি। অসুম্না পোৎকী মমল অতিয়া পক্না ৰাংখৎলকপদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থিংননবা অখন্নবা থৌরাং অমফাওবা পায়খৎলকপা উদে। তশেংনমক্কীদি ইসেন্সিএল কমোদিটিজ এক্টকী মখাদা পোৎকী মমল হেঙ্গৎনা য়োনবা লল্লোনবশিং ফাদুনা চৈরাক পীনবা চপ চাবা লো লৈজরিবনি। মখোয়না মমল হেঙ্গৎনা য়োল্লিবা পোৎশিং অদু ব্লোকেদ মনুংদা পুশিল্লকপসু নত্তে। হান্না মতম ফরিঙৈদা পুরকপা ওইবনা হান্নগী মমলদুদা অদুমক য়োনফম থোকপনি। মরম অদুনা মখোয়না তৌরিবা লল্লোনবগী মওং অসিদি মীচম মীয়ামগী ঈ চূপ্পনি হায়না লৌদবা ঙমদে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৰাফমদি মীচম মীয়াম্না খম থেংনা অৱাবা মায়োক্নরিঙৈগী চৈরক অসিদা লল্লোনবশিংনা পোৎকী মমল ৰাংখৎনা য়োনবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈরিবসি চুমদে। তৌফম থোকপা পাঙথোক্লগা মীয়ামবু লৈতানা লৈহল্লু হায়জনিংই।



# ইকনমিক ব্লোকেদ

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

***য়ু এন সীনা*** নেসনল হায়ৱেশিংদা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ চখরকপগা লোয়ননা নবেম্বর ৮ গী অহিং নোংয়াইদগী ইন্দিয়াদা লুপা ৫০০ অমদি ১০০০ চৎপী চৎনরক্তবনা লমদম অসিদা শান্তিগী লমদম অমা ওইরক্লি। শম্না হায়রবদা চখরিবা ইকনমিক ব্লোকেদনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা পেট্রোল অমদি দিজলগী ষ্টোক লোইশিল্লক্লে হায়রি। লোয়ননা চাকা অনী পানবা গাড়ীশিংনা লিটর ৩ অমসুং মরি পানবা গাড়ীশিংনা লিটর ৫ ফাওবা পীদুনা রেসনিং তৌশিল্লক্লি। মতৌ অসুম্না লুপা ৫০০/১০০০ গী নোট চৎনরক্তবসিনসু মরম ওইরগা লম্বী সরক মীনা কৃক-কৃক ইন্নদুনা ত্রাফিক জাম ওইবদুদগীসু কনবা ঙম্লে। অদিসু নত্তনা অহেনবা চাদিং তৌগদবদুসু হন্থরে। শুপ্নগী চাদবা য়াদবা, তৌদবা য়াদবদুমক্তমক তৌদুনা লৈরক্লি।

মতৌ অসুম্না অসুম তৌদুনা লৈরগদি লমদম অসি চাহোং ঙাহোংবা লমদম অমা ওইরগনি। মরমদি অহেনবা চাদিংশিং চৎত্রবগা লোয়ননা লম্বী চিনবনা মরম ওইদুনা এক্সিদেন্ট থোকপগী চাংসু হন্থরগনি হায়না খঞ্জে।

মসিনা মরম ওইদুনা পংজরবা ননাই ঐনা য়ু এন সিদা আপিল তৌজনীংবদি হৌজিক চখরিবা মতম কক্তবা ইকনমিক ব্লোকেদ অসি চৎলিবা চহী অসিগী অরোইবা হায়বদি কুমজা ২০১৬ কী দিসেম্বর ৩১ ফাওবা চখবীনবা নোল্লক্না হায়জরি।

*অদোমগী - রাজকুমার বাসুমনি সিংহ*
*শিংজমৈ ওক্রম লৈকায়, ইম্ফাল*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১। ''কনাসু ঐগী মিং খঙদে/ঐনসু হায়দোক্তে/অদুগা মাগা ঐগদি খঙই।'' ৰাহৈশিংসি কনানা ইবা নোভেল্লাদগী লৌথোকপনো?

২। ''কবি/মহৌশা লমদমদা লাকপদা/... মৌ নহাশিংনা নোকপদা/নঙনা করম্না নোক্তবা ঙমগনি।'' কবি কনানা হায়বনো?

৩। 'একাশি গঙ্গা' লমকোয় ৰারীসিগী অইবীদু কনানো?

৪। 'ইলিশা অমগী মহাও' বু বেঙ্গলীদা হন্দোকপা অইবদু কনানো?

৫। 'ঐখোয় অনীগী অনৌবা সংসার' রেদিও লীলা অসিগী অইবদু কনানো?

ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৮, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# দি-মনিতাইজেসনগী চৈথেং অমদি তুংইন্নবা ৰাথোক

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

হৌজিকসে, লৈবাক শিনবা থুংনা ঙাঙনরিবা, নৈনরিবা ৰাফমসি লুপা লিশীং চৎপী অমদি চামঙা চৎপী চৎনহনখিদবদগী থোক্লকপা ৰাথোক লান্থোক, পোলিটিকেল পার্টি মশেল, লীদর মশেল হুন্নদুনা ঙাঙনবা চীন কাঙজে, মচি মচিদা ঙাঙনবা অচুম অরান তোৎশিন্নরবা ৰারী য়াওনা পাউ ময়াম অমা... অসি ঙাক্তনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি ঐসু নঙসু মাসু অতৈ ৰারী শানীংদে, অতৈ অমা তানীংদে। ... লিশীং অনী চৎপী নৌনা থাদোরকপসিসু চৎনররোই ফাজিনখ্রনি, দো হজার হায়গদবদা দোন হজার হায়রম্লে... লিশীং চৎপী অমগা অমগা সাইজ মান্নদবা মখল অনী থোক্লম্লে... হায়বনচিংবা ৰাদু শন্দোকপনা, অনৌবা নোৎ পোলিসি অসি করিগীদমক চৎনহল্লক্লিবনো হায়বদু নৈনবদগী হেন্না মরু ওইনা খনজবা মীয়ামনি। খনবমখৈ খল্লগা, মতাং চারিঙৈ ঐহাকসু কোলমসিদা ৰাফম খরদি ফোঙদোকহৌবা চুম'মাল্লে খন্দুনা কলম পায়খৎচরুবনি।

মণিপুরদগী ৰা নত্তে, খুদক্কী ওইবা অথু অকায়, তঙায়ফদবা কয়াগী শীজিন্ননবা শেল লৈতবা/ৰাৎপগী অৱাবা অসিদি ইনি দয়া পূম্বগীনি। খুদক্কী ওইনা কোকহন্নবা পান্থৈ লৈতে। অৱাবা অসি মতম খরদি লৈখিনি। মীয়ামসিনা পাম্বনা, অৱাবদু লৈহনগনু, লৈরবসু 'খুদক্তা কোকহল্লু' সিনি। পোলিটিকেল ওইবা ৰারেপ অমনা থোকহল্লকপা ওইবনা পোলিটিকেল ওইবা খুদোংচাবা লৌহৌনবা হোৎনবনি। হৌনশানি, থোইদোক্তে। খরতা খরতদা, হৌহনখিবা তাবনি মতম। ওপোজিসন'না হায়বা ৰা খুদিংমক লৌরগা লৈঙাক চলাইবা তারবদি লৈঙাক অদু শেন্থুবগী করি কান্নবা? বি জে পিখক্তা নত্তে মনা কনবা, চহীচা তঙ্খায় অমদি কোংগ্রেস'না তৌদুনতা লাক্লবনি, মখোয়না তম্বীরম্বা লীচৎনি। গভর্ণমেন্টনা তৌবা খুদিংমক মীচম মীয়ামগী মায়োক্তনি হায়বা নৎত্রদি ওপোজিসন ওইনা লৈরুবগী করি কান্নবা! মীয়াম হুপ্না, অফবা খোঙথাং অমনি হায়নরকপা থবক অসিদা য়েৎহৌদবা থোক্লবা মীয়াম মাঙদা করম্না মায় থাঙ্গৎলুনি! মরম অসিননি রাহুল গান্ধী'না মীচম অমগুম এ টি এমগী ক্যু লেপ্পদা য়াওদুনা পোলিটিকেল দ্রামা অসিগী মতাং অমদা থোক্লল্লিবা।

অতৈমফম অমত্তদা উরোইদবা, মণিপুরদতা উঙাদবা দৃশ্য অমা লৈ। মদুদি শেল অচৌইবা য়োনবা। চামঙা, লিশীং- অনীসিনা কৈথেলদা মফম লৈখিদ্রবা তুং, চাম'না খ্বাইদগী কনবা মার্কেট-প্লেয়র ওইরক্লে। লিশীং অনী চৎপী থোরক্লবসু, কৈথেল ময়ায় অসিদা মরুওইবা প্লেয়র অমা ওইনা থোরকপদি ঙমখিরোই। মহাক্না হৌজিক লৈগদবসি অকনবা রিজার্ব প্লেয়র অমা ওইননি। হান্না অকনবা প্লেয়র ওইরম্বা অনীদুনা মতম লোইদুনা পোথা শঙদা পোথাখিবদা মহুৎ ওইনা থোকখিবা - চাম্না চৎপী, য়াংখৈ চৎপী, শান্নবুংদা মখোয়গী থৌদাং হোংলকখি। মখোয় বেঙ্কতা অমুক হল্লকখিদ্রে। দিপোজিটর অমত্তনা য়াংখৈ চৎপী, চাম্না চৎপী পুরকখিদ্রে। চামঙা চৎপী, লিশীং চৎপীনা কুন্দুনা লৈরম্বা অমম্বা মফমদুদা মহুৎ শিনবা চঙখরে।

তশেংবনি, হিংবদা চঙবা পোৎলম, পোৎচাক লৈবদা চন্নফম লৈবা শেল ময়েক মচাশিংদি মীয়ামগী খূৎতা অমত্তসু লৈতে। চামঙা চৎপী/লিশীং চৎপী ত্বেন্টি পার্সেন্ট লৈনবা শিনবদা শীজিন্নৈ। লৈরক খুল্লক, হোটেল, ওফিস মসিতগী ৰারীনি। থার্টি পার্সেন্ট পীরবদি অপাম্বা ক্রোর মশীং কায়বা য়াগনি... ঙরাং থার্টি ওইরম্বদু ঙসিদি ফোর্টি য়ৌনরে, হয়েংদি য়াংখৈ য়ৌরনি... তোকঙা মশা পান্দুনা পাইবগুম য়ুম অমদগী অমদা, লৈকায় অমদৈ অমদা শন্দোরকই। ঐগী নক্নবা মরী মতা অমনা হায়রম্মী... ঙরাং পিশুমথোং মনাক্তা লিশীং চৎপীদু চানিপান্দা লৈবদা ঐখোয় লৈকায়গী ইনাক খুনবদু ঙাইহাক্তংদা লুপা লাক্ষ অনী শেন্দোং ফংখ্রেদনা...'। কদাইদৈ চাম্না চৎপীনো হংলুবদা খুল্লম্মি... মাগী কারবার ময়ামদুদৈ কারকপা য়াংখৈ চৎপী, চাম্না চৎপী, নুংতিগী বোরাদা হাল্লগা বেঙ্কতা থিল্লম্বদু নুমিৎ হুমনিদং ফাজিনবদা ক্রোর অনী অহুমসিদি ইরায় লায়না ফাজিনবজাৎনি ককা'। ঙরাংগী পাউচেশিংদা ফোটো ওইনা ফোঙলকই ইম্ফাল খোরী কৈথেলনা ইমা/ইচে/ইচনশিংনা চাম্না চৎপী নিপানগা লিশীং চৎপী অমগা ওন্ননবা বেঙ্কতা ক্যু লেপ্নগুম' লেপ্লিবা মীয়ামগী ফোটো। পাউ ওইনসু ইরকখি - বেঙ্ককী ওফিসলশিংদা খুদোনবী থিনবা মানবা পাউ খূৎই। শেনয়েক অনী চৎনখিদবা নুমিৎতগী, ইম্ফালগী/মণিপুরগী বেঙ্ক ব্রাঞ্চ খুদিংমক্তা নোংঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাওবা লেপ্লিবা মীয়ামদুগী সার্ভিস পীবদা অহিং নোংয়াইদা ময়ূম হল্লিবা বেঙ্ক ইমপ্লোয়ি/মেনেজরশিংদা অদুগুম্বা পাপ চেনবা ৰাহৈ অদুদি শীজিন্নদবা ফবনি। পাউমীশিংসু খঙবীয়ু, মীচম মীয়ামসু খঙবীয়ু-ময়ূম ময়ূমদা লোৎশিন্দুনা থল্লম্বা চামঙা-লিশীং ময়ামদু মমল য়াওদবা চেজেৎ ওনখ্রগনি পাখৎতুনা বেঙ্কতা থমজিনবা লাক্লিবা, লৈঙাক্না পীবা শেল লিমিট অদুদা মহুৎ ওনবা লাক্লিবা, মশাগী বেঙ্ক একাউন্টতগী লৈজবা শেনফম লৌথোকপা লাক্লিবা মীয়ামসিগী তঙায়ফদবা সার্ভিস অদুখক্তং পীনবা হোৎনবদা থবক পোত্থারবা বেঙ্ক ইমপ্লোয়িশিংফাও য়াওনা হোৎনবদসু মীয়াম্নু পেলহনবা ঙমদ্রবনি। নহানমখৈ থা অমদা লাক্লম্বা দিপোজিৎকী শেনফমদু নোংমগী দিপোজিৎনা হেনগৎলক্লবনি। মদুসু নহানমখৈ মশাগী একাউন্টতা লিশীং ফানা থল্লমদবা কষ্টমরমক্তা।

অদুগা, অচুম্বা ৰাফম অমতংগা ঐখোয় পূন্না খঙমিন্নসি। নবেম্বর ১০ দগী ঙসি ফাও রিগুলর কষ্টমরদি লায়রদনা, ওল মণিপুর বেঙ্ক ইমপ্লোয়ি এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐ ইশামকফাওবা চঙবা য়াদবা ফীভমনি ব্রাঞ্চ খুদিংমক্তা ওইরিবা। ইশা শক্তাক্লবা হোৎনরুবা অকামপেৎকা লোয়ননা চৈরক্লিবা মীয়ামনি পরেংদুদা লেপ্পল্লিবা। অসুম্না, নহানমখৈ তরা-কুন-য়াংখৈ-চাম্না চৎপী নোৎ চবুন চবুন বোরা খাউদা হাপ্লগা বেঙ্কশিংদা য়ৌরক্লম্বা শেনফমদো বেঙ্ক য়ৌরকখিদবা নুমিৎ তরেৎনি শুজিনখ্রে। বেঙ্কশিংদা হান্না পৈরম্বা নোট দিনোমিনেসন মচাগী ষ্টোক, নুমিৎ কয়ানি চৎকনি? ষ্টোক অদু লোইখ্রগা মহুৎ শিন্নবা শেনফমদু কষ্টমরশিংদগী লাক্তবনা, আর বি আইদগী অমুক লৌরুবা মতমদুফাও ঙাইবা তাবনি। মতাংসিদা হংবা য়াবদি, মণিপুর পূম্বগী কৈথেল ময়োল ওইরিবা খ্বাইরম্বন্দসিদগী নহানমখৈ বেঙ্কতা থল্লম্বা শেনফমদু হৌজিক কদায়দা থমখ্রবগে? হায়বা ৰাহং অসিনি। রিয়েলিটি অসি চেক তৌদনা, শেল হায়বসি বেঙ্কতগী থোক্লকপনি, অরোনবা মফমদগী থোক্লক্লিবা চাম চৎপীসি বেঙ্কনা অরোনবা বিজিনেস তৌবা ওইরমগনি হায়বা ৰাখলদু মীয়ামগী মাইন্দ সেটতগী তাম্থোকপদুনি মথৌ তারিবা।

অতোপ্পা অচুম্বা অমত্তংগা খঙমিন্নসি ঐখোয়। কুমজা ২০১৬, ওক্টোবর ২৮ ফাওবদা ইন্দিয়া পূম্বদা চাইথোক্তুনা শীজিন্নরি বেঙ্ক নোটশিং অসি লুপা ক্রোর লাক্ষ ১৭.৭৭ নি। হায়রিবা অপূনবা শেনফম অসিগী চাদা মরিফুতরুকলোম হায়বদি লুপা ক্রোর লাক্ষ ১৪.১৮ দি চামঙা চৎপী অমদি লিশীং চৎপী নোট ঙাক্তনি। হায়বদি শেল মনা নোট মশীংদা য়েংলবদি চামঙা অমদি লিশীং চৎপী নোট মশীং অসি ক্রোর ৯০২৬.৬ ওইফম থোকই। লৈফম থোকপা অশেংবা নোৎ মশীং অসি ইন্দিয়াগী কৈথেলদা শুনা লৈরিবরা? নৎত্রগা, কয়ামুক হেন্না নৎত্রগা ৰাৎনা লৈরিবগে হায়বসি অমুক্তং চেক তৌবা দরকার ওইরে হায়বসি রিজার্ভ বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১১ দগী হায়দুনা লাকখ্রবনি। মসি খঙনবগীদমক ৫০০ অমদি ১০০০ গী নোট মখল অনী অসি চৎনহন্দবগী থৌশিল অমা পায়খৎহৌদ্রবদি ইন্দিয়ন ইকোনোমি অসি কাংখোং চাইরগনি হায়বসি মতমদুগী আর বি আইগী গভর্ণর রঘুরাম রাজনগী ৰার্নিংনি। অদুবু থৌনা ফবা ৰারেপ অদু লৌবা ঙম্বা লৈঙাক লুচিংবা লৈখিদে। ঙসিগী গভর্ণর উর্জিৎ পটেলগী মতমদা থবক ওন্থোরল্লিবা ৰারেপ অসি ঙসিদগী থা তরুক্কী মমাঙদা লৌখিবা ৰারেপনি। কনাবুসু খঙহন্দনা থল্লক্লগা নবেম্বর ৮ গী নুমিদাং পুং ৮ দা শোয়দনা পাল্লগদবা ফিনান্সিয়েল সর্জিকেল ষ্ট্রাইক অমনি 'দি মনিতাইজেসন, ২০১৬'।

ইন্দিয়া মনুংখক্তদা নত্তনা, মালেমগী শক্তি লৈরবা লৈবাক কয়ানা থাগৎনরক্লিবা পোলিটিকেল মুব অসিনা ইন্দিয়ন ইকনমিদা অচৌবা শাফু অমদি পীরগনি। করপসন হন্থহনগনি, ব্লেক মনি হ্বাইট ওন্থোকহল্লক্কনি, পোলিটিকেল করপসন চেক তৌগনি, ফেক নোট ফাগৎতুনা টেরোরিজম থিংবদা মতেং ওইগনি হায়বনচিংবা থাজবসিদা য়ানিংদ্রিবা পোলিটিকেল লীদরশিং খঙদে, মখোয়গী পূক্লিংদনা পুম্নমকসি থিংনবা করি পান্থৈ লৈরিগবা!

# হাওসিং ফোর ওলগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন ঙসিনা থৌবালদা চৎলুরে

**সোরোক নোরেন**

***ঙাঙনীংবা*** মীনা ঙাঙজরবসু তৌগদবা থৌদাংশিং মায়পুননা পুরিবা ওফিসার কয়ানা লৈতেংলবা দিপার্টমেন্ট অমা ওইরে মাহুদ দিপার্টমেন্ট ঙসিদি। মদুমক্তনা নোর্থ ইষ্টতা অহানবা ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইবা ঙল্লিবনি। অসুম্না মীকুপ অমতা পোত্থাবা শংদ্রে হায়বদুমক য়ৌরবা মাহুদকী ওফিসারশিং হৌখিবা নবেম্বর ১৩, ২০১৬, নোংমাইজিং নুমিৎতা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী হাওসিং ফোর ওলগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন চৎলুরে। কুমজা ২০১১ সেন্সস রিপোর্টকী মতুং ইন্না অর্বান লোকেল বোদি ২৭ কী মনুংদা মীশিং য়াম্বদা অনীশুবা ওইরিবা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনি। ৱার্দ ১৮ থোক্না খাইদোক্তুনা লৈরিবা কাউন্সিল অসিগী অপূনবা মীশিং অসি ৪৫,৯৪৭ নি।

ফিল্ড ভেরিফিকেসন অসি চৎননবা শেম শারিবা য়ূমকোক মশীংনা ১১০৭ নি। অদুগা হাওসিং ফোর ওলগীদমক কাউন্সিলগী লাক্লিবা বেনিফিসরি মশীংনা ২৮২৯ নি। হায়রিবা মশীং অসিদগী ইনহেসমেন্ট (শেমদোক শাদোকপা) কী ওইনা থারকপা মশীংনা ৩৩ নি। অনৌবা শাজগে হায়রিবা বেনিফিসরি মশীংনা ২৭৯৬ নি। অপূনবা মশীংসিদগী খঙ হৈরবা অনৌবা মাহুদ ওফিসারশিংনা মুন্না য়েংলবা মতুংদা ১১০৭ অসিদি ফিল্ড ভেরিফিকেসন দরকার ওই হায়বদগী চৎননবা শেম শাখিবনি। মমাঙদা ককচীংদা ভেরিফিকেসন চৎখিবা মশীংদুগী শরুক অহুমুক হেনবনিনা হেন্না চাওনা শিংনবা অমদি ওইখিবনি। অদুগীসু মথক্তা পুম্নমক অসিগী মপূং ওইনা শেম শাবিরিবা দাইরেক্টর মাহুদ এন গীটকুমার মশামক স্বাচ সরভেকেসনগী ৱার্কশোপ অমা গুৱাহাটিদা য়াওদুনা লৈখিবদগী হেন্না খুদোংথিগদ্রা চীংনরুবনি। অদুবু টাউন প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী সেনিয়র টাউন প্লানর নরমাদা য়ূম্নাম্না য়াম্না হৈশিংনা অহোবা অমতা লৈতনা হোৎনবিখিবদুদি মোদি লৈঙাক্কী 'বেটি বচাও বেটি পরাও' মায় পাক্লে হায়বা তাই। সেনিয়র টাউন প্লানর নরমাদা য়ূম্নাম অতৈ কনাসু নত্তে, দাইরেক্টর মাহুদ এন গীটকুমারগী লোইনবীনি। মোং হাদবা ৰাহৈ খোনফমনা পূম্নমকপু অমত্তা ওইনা চিংশিল্লগা হায়নখিবা মতম অয়ূক্কী পুং ৭.৩০ থেংথবা অমতা য়াওদনা থুংনরখি। মমাঙদদি দাইরেক্টরনা শিনবীখিবদা অশোয়বা য়াওদ্রবসু থেংদোক-থেংজিনগী, ঙাইথোক-ঙাইশিনগী মতম খরদি অদুমক লৌখি। অদুবু সেনিয়র টাউন প্লান্নর নরমাদাগী থৌবালগী ভেরিফিকেসন দদি অথেংবা হায়বদুমদি য়াওখিদ্রে। ভেরিফিকেসন য়াওগদৌরিবা ওফিসার খুদিংমক্না টাউন প্লান্নিং থাদোকখিবা মতমসি নোংমাইজিং নুমিৎতুগী অয়ূক্কী পুং ৭.৪০ নি। শুপ্নগী মিনিট ১০ খক্কী মনুংদা য়ামখ্রবা ওফিসারশিংনা চৎননবা শেম শাবা হায়বসি নরমাদা য়ূম্নামগী অচৌবা হোৎনজমন্নি। ওফিসার ময়ামসিগী মনুংদা য়ূম পুরিবা নুপী ওফিসার কয়া অমা য়াওরিবনি। মরুওইনা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী প্রোজেক্ট ওফিসার সরদা মনোহরময়ূম অরাইবা ওফিসার নত্তে। চাওখ্রবা মীশিং লাক্ষ অনীমখায় হেনবা কোর্পোরেসন অসিগী প্রোজেক্ট ওফিসার ওইনা থৌ পুরক্লুবীনি। মশাগী লন্নাই গাড়ী পুথোকপীদুনা থৌবালগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন অসিদা অচৌবা মতেং পাঙবিখিবনি। সরদাদা নত্তনা মুর্দাগী নুপী ওফিসার অনী অসিতা য়েনদ্রেম্বম অমদি অকিম হাওকিপ মুর্দাগী প্রোজেক্ট অয়াম্বা ওফিসার অনীসিনা মপূং ওইনা শুদুনা অর্বান লোকেল বোদি খুদিংমক মমিৎ মমায় পাঙহল্লিবনি। তরাইনা লৌবা য়ারোই থৌবালগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন। ককচীংদদি টিম তরামাপন খক থোকখিবদু থৌবালদদি টিম ২৩ থোক্লবা শেম শাখিবা অরাইবা নত্তে। অদুবু নরমাদা য়ূম্নামগী হৈশিংবা থৌওংনা হান্নগী চাংদগী ওফিসার পার্টিসিপেন্ট তৌবগী চাং য়াম্না ৰাংখি। অসুম্না থৌবাল য়ৌবদা পুঙ্খায় ফানা চঙখিদে। ফৎত্রিবা লম্বী মতেক খরা হায়বা তারবদি বর্ম্মা রোদকী ওইনদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি গেটতগী লিলোং থোং য়ৌবা মতেক খরা অসিতনি। অতৈদি ফোর লেন্দগী চাংদা ব্লেক তোপ্পীং অনানবা ঙাক্তনি। লেমহৌরিবা ফৎত্রিবা মফম খরা অসিদি এসেমব্লিদা ওপোজিসন কেন্দ্র ওইরিবা লংথবাল কেন্দ্রনি। লংথবাল কেন্দ্রগী ৰারীদি এসেমব্লিদা পুৱারী ওইদুনা লৈহৌরসনু।

থৌবালগী হাওসিং ফোর ওলগী ফিল ভেরিফিকেসন্দা হৌবদগী শরুক য়াবা ঙমখিদবা দাইরেক্টর মাহুদ লৈথোক্তুনা লৈবা নত্তে। অর্বান মিনিষ্ট্রিনা গুৱাহাটিদা শিনবা স্বাচ সরভেকেসনগী ৱার্কশোপ অমদা ককচীং অমদি মোইরাংগী ওপন দিফিকেসন ফ্রী টাউন ওইবগী মনা লৌবা চৎপনি। নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা মণিপুরগী টাউন অনীসিনা অহানবা ওইরে হায়দুনা অর্বান মিনিষ্ট্রিনা লাউথোরকপা অরাইবা খোঙথাংদি ওইদে। ক্বালিটি কন্ট্রোল ওফ ইন্দিয়াগী টিম্না মফমসিদা লাক্তুনা ফিল্ড ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা পীখৎখিবা রিপোর্টতা য়ূম্ফম ওইবনি। মনা অসি লৌবা চৎলিবনা মাহুদকী জোইন্ট দিরেক্টর এন জি উতম, ডাইরেক্টর মাহুদ এন গীতকুমার লোয়ননা মাহুদকী ওফিসার অনীনা খোংবু ওইরি। অদুবু পোত্থাবা হৈত্রবা ডাইরেক্টর মাহুদ, মনা পুরকপগী নুঙাইবদা পেন্থোক্তুনা লৈবগী মহুৎতা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী দাইরেক্ট থৌবাল তল্লকখিবদুদি কাউবা ঙম্লোই। থৌবাল হেক য়ৌরকপগা টিম লিদর খুদিংমক্তা ডাইরেক্টর মশা থৌবালদা লৈরে হায়না পূম্নমক্কী মোবাইলদা মেসেজ থারকপদুনা মরম ওইরগা ফিল্ড ভেরিফিকেসন হেন্না খুমাং চাওশিনখি। নুমিৎতুগী ফিল্ড ভেরিফিকেসন ঐনা লিদ তৌরিবা টিম অদু থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর সভেন হায়বদি মণিপুরগী ওনরেবল সী এম ওক্রম ইবোবী মশামক ভোটর অমা ওইরিবা ৱার্দনি। কয়াদা লাইবক ফখ্রবা ষ্টেট অমগী সী এম ওইরিবা অমগী ৱার্দতা য়ূমথোং খুদিং চত্তুনা ভেরিফিকেসন চৎপা ফংজবা। অদুবু লমদমসিগী মীপুম খুদিংমক্না অমদি পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্না ঙাঙনরিবা ৰাফম কয়ামরুমদি ইমিৎমক্না উরুবনিনা লাল্লি হায়নীংই। অদুক হাক্না শেঞ্জা থুমজাদা কৈরোয় লৈকায়দা পূম্নমক খোপচিন্দুনা শেম শাবা হায়বদুদি তৌরমদে। ঐগুম্না য়ূমথোং খুদিং চঙদুনা য়েংশিনবগী থৌনা, ঙাঙনরিবা মীপুমশিংদা লৈরোইদবনা অশেংবা মীৎনা উবা পাউদম ওইনা থৌবালগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৭ কী তেনতকপা পাউদম থমজরি।

হায়রিবা ৱার্দ নম্বর ৭ অসি কুমজা ২০১১ গী সেন্সস রিপোর্টকী মতুং ইন্না মীশিং ২২৭০ লৈরিবসি য়ূমকোক ৩৫৫ লৈবগী মনুংদনি। য়ূমকোক ৩৫৫ লৈরিবসিগী মনুংদা হন্দক হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা লৌজগে হায়দুনা থারল্লিবা য়ূম মশীংনা ১৩৬ নি। হায়রিবা য়ূম ১৩৬ অসিগী মনুংদা ৭৯ অমদি চে চাংশিং, মরী লৈনবা ফোটো চাংদম্নদুনা য়েংবদা হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারবা মীওইশিংনি হায়দুনা থমখ্রবনি। লেমহৌরিবা য়ূমকোক ৫৭ অসিগী ফীভমশিং অমুক হন্না য়েংশিনবা মথৌ তাগনি হায়বদগী য়ূম ৫৭ অসিগী য়ূমলৈ কৈরৈগী ফীভম অমদি চে চাংশিং নৌনা য়েংশিন খোঙচৎনি ঙসি ঐগী টিমনা চৎচরিবা। টিম লিদর ওইরিবা অইবী ইমা বিষ্ণুপুরগী এ ইনি অদুগা ঐবু এসিস তৌবিরিবনা ওইনাম প্রেমজিৎ জুনিয়র এঞ্জিনিয়ার ময়াং ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনি। ওইনাম প্রেমজিৎ জুনিয়র এঞ্জিনিয়ার য়াম্না মাঙজিন থারিবা মাহুদকী থৌরম কয়াদা শোখ্রবা লৈতবা এঞ্জিনিয়রনি। মাগী চাওরবা মতেংমক্না ঐগী ৱার্দতুমদি থেংলবসু থেংনা লোইশিল্লগা থল্লম্বা ঙম্বনি। ঐখোয়গী টিম অসিগী য়ূমকোকশিংগী মশক মফম তাকপীরিবনা ৱার্দ অসিগী ইলেক্টেদ মেম্বর অনীনা নুংশা মরক্তা অৱাবা খাঙমিন্নখিবদুদি ৰাহৈ ওইনা থাগৎচরি। ফিল্ড ভেরিফিকেসন হেক হৌরকপদা অহানবা ওইনা থেংনখিবা য়ূম অদো ওনরেবলগী শঙ্গাইদগী মমাঙলোমদা পংলাপ লাপ্তে। অদুবু য়ূমলৈ কৈরৈ অদুক হাক্না ফীভম ফত্তবনা হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা লৌনবা থিরকপনি। য়ূমকোক ৫৭ মক নুমিৎ তানিং-তামাং তৌনা চৎপদা তশেংনা য়ূমকোক ৪৩ অমদি হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা ফংবা য়ারে হায়না লৌজরে। অদুগা লেমহৌরিবা ১৪ অসিনা য়ূমলৈ কৈরৈ য়াম্নমক ফবা নৎত্রবসু পীরিবা গাইদ লাইন্দগী ৰাংমা লানখিবনা হাওসিং ফোর ওল মনুং চনবা ৰাগনি হায়দুনা থমজখি। অদুবু মতাংসিদা করিগুম্বা খরদং পঞ্জনীংবদি ওনরেবল সী এমগী লৈকায়মক্তদা য়ূমলৈ কৈরৈ নাতৈ চাদবা খরদি লৈরি হায়বসিনি। মীতৈ ইপা ইপুগী পাউরৌদা ইনাকখুনবা তরানা লায়রবা অমা শৌগৎপা ঙমদে হায়বদুনি। করিগী নুঙাইনা লৈহন্নিংলোইদৌরিনো। মাগী মচা মনাই অদুবু লোইনমক হেক্তা পুমপেন পেলহনবদি ঙম্বা নত্তে ঙসিতা খঙই থৌবাল ম্যুনিসিপাল ৱার্দ নম্বর ৭ চৎলুবদা। শেমই শেন্বা য়াবা খরবুদি মপুম ওইনা লম্বী-থোং, ইরম-নালা। মদুসু লোইনমক মপূং ফাবদি নৎত্রি। মমাঙদা জুলাই ২১ গী পাউচে অসিগী কলমসিমক্তদা 'থৌবাল বজার ময়ায়গী কোয়লাসসু অদুম কাই' হায়না ৰারেং অমা থমজখিবদুদি খরদং উজবদা ইজখিবনি। অদুবু ঙসি ৱার্দ অসি চাওরাকপা থুংনা চৎচবদা উরক্লিবসিদি লৈবাক্কী নিংথৌ অমনা মাগী মীচম মীয়াম্বু পুমপেন পেলহনবদি ঙম্বা নত্তে হায়নীংবগী ৰাখল পোকহল্লকপসিনি। পেন দদুনা কল্লক্তুনা পংঙাঙ ঙাঙজবনি। ঐসুনি নুংশা মরক্তা য়ূমথোং খুদিং ফোটো কাপ কাপ্তুনা চৎকদবগী শরুক সী এমগা হায়দু ওইরদি খল্লিপোৎনি।

লৈবাকসিগী চাওখৎনবা অমদি সেন্টরদগী অহেনবা ফন্দ লৌনবা, ৰাথোক লান্থোক, ধরনা, বন্দ, ব্লোকেদ ময়াম অমা থেংননবা হোৎনরিঙৈ অনকপা নাতোন শুমাং উদে হায়নবদু সী এম ইবোবীদা থোক্লে। মশাগী ৱার্দ নম্বর ৭ তা হাওসিং ফোর ওলগীদমক বেনিফিসরি ১০০ মুক লোন ওইনা লৌবা য়াবা স্কিমগী মখাদা য়াওরগা লৈরম্বসিনি। অদুনা হন্দক্কী হাওসিং ফোর ওলগী খুদোংচাবা ফংনবা হোৎনবসিদা অঙম্বা মতেং পীনিংদুনা ভেরিফিকেসনগী টিম অসি লুচিংলুরিবা ইশানা অঙম্বা থাক্তা ওইহৌনবদি কন্না হোৎনবনি। অদুবু খরা হেন্দোক হেনজিন লৈরম্বদুদি এপ্লিকেসন থাবিরক্লিবা মীওইশিংনসু ৰারৌবিদনবা নীংশিংজরি। মরমদি চপ চাবা গাইদ লাইন্দ অমগী মখাদা চখবা ভেরিফিকেসন ওইবনা নুংশি নুংশিদে হায়দুনা হাপতোক হাপচিনগী খুদোংচাবা অদুক হাপ্না পীদ্রে। অসুম্না টিম ২৩ মক্কী ওফিসারশিং লোইনমক থৌবালদা নত্তনা মফম খুদিংমক্তা হাওসিং ফোর ওলগী অকুপ্পা গাইদ লাইনগী চৎন-কাঙলোন ইনবিরমগনি খল্লি।

অরোইবদা, ককচীংদা হাওসিং ফোর ওলগী ভেরিফিকেসন চৎলুবদা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চ্যেরপার্সন ইনাকখুনবীনা অচৌবা চাকলেন অমা শিনবীখি। অহাওবা চাকলেন অদুগী শোইবুম ইরোনবগী মহাও কাউবা ঙমদনা হল্লকখ্রবসু থৌবালগী চ্যেরপার্সন রেসপেক্টেদ শামোগী চাকলেননা করিসু তাবদি নত্তে। অদুম্নদি ওইরগা থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ৭ কী ভেরিফিকেসন লোইদুনা চৎলগে থোরকপদা ৱার্দ অদুগী কাউন্সিলর য়ূম্নাম প্রেমাবতিনা সী এম গেট মপাদা থৎলগা চা থকখিদৌনি হায়দুনা খাম্বদগী ঙাইহাক পনবা তাখি। মতমনগা থেংজিল্লকপগা অনৌবা ঈ ও প্রদিপ কৌবা অমা রিপোর্ট তৌরদবগী চরাংনরিঙৈ মরক্তুদা কাউন্সিলর মশানা লোন্দুনা পীথল্লককপা চাগী মহাওদুনা কাউবা ঙমদবা থৌবালগী ভেরিফিকেসনগী পাউদম ওইজরে।